ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




বিষ্ণুপুরগী জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয়দা আনন্দমোহোনগী ‘শিলোং-১৯৪৯’ বু মীতৈময়েক্তা ত্রান্সলেট তৌদুনা ফোঙবদা মতেং পাংখিবা বিষ্ণুপুরগী জে এন ভিগী মহৈরোয়শিংদা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা


থম্মোয় পাউদম : ঈচেলগী ঈরৈগা ঈরোয়নবা ঙমদ্রবা ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ য়ুহা হাখ্রবা মতুংদা অতেক-অকাই মরক্তা থোরকপা ...

“মৈ চঙহৌদ্রবা সনা” ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ এঙলো মণিপুরী ৱার নীংশিং থৌরম হরাও...

এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কোংগ্রেসকী... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ মেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি : ৱাই য়ু সী সী...


মিনিষ্ট্রি ওফ অর্থ সাইন্সেসকী মখাদা ককচীং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়দা লৈবা শিনপাং ফাউন্দেশননা মালেমগী নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা লাইয়েকপা চাংদম্নবদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকপা




Vol. 49, Issue No. 028 | য়ূমশকৈশা, শজিবু ২৫নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, April 23, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# স্পিকর দেল্লীদা চৎখ্রে, কৌরকপ্রা নৎত্রগা লন্নাই চৎপ্রা

## বি জে পিগী এম এল এ ১নদি লৈঙাক শেমহল্লকখিরোই ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী ৭শুবা মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা অহৌবা নুমিৎতা অনৌবা গভর্ণরনা এদ্রেস তৌনবগী থৌরাং পূন্নমক লোইশিল্লবা মতুং ফেব্রুৱারী ৮, ২০২৫দা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা তনকৌ কৌরকপদগী নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা দেল্লীদা চৎখিবা বিরেননা মথংগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা হল্লক্লগা গভর্ণরদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনবদা অয়াবা পীরক্লবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপা থা অনী হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা বি জে পিগী এম এল এশিংনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা গভর্ণর ফাওবা উনখ্রবা মতুংদা স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা ঙসি দেল্লীদা চৎখিবদগী খোঙচৎ অসি অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক মহাকপু কৌরকপ্রা নৎত্রগা লন্নাই থবক থৌরমশিংগীদমক চৎখিব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।



স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত

মীয়ামগী মরক্তগী মরু ওইনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল সর্কলশিংদগী ৱাহং অসি হংনরক্লবসু চপ চাবা মরম কনফার্ম তৌবা ঙমদবদগী ঙসি নুমিদাং পুং ৮.১৬ তারকপদা পাউচে অসিনা হৌজিক দেল্লীদা লৈবা মণিপুরগী বি জে পিগী এম এল এ অমদা টেলিফোন তৌদুনা হংখিবদা মহাক্না হায়, স্পিকরগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা থোইদোকপা নোলেজ লৈতে। মহাক দেল্লীদা থুংলবা মতুংদা কদাইৱাইদা লৈবনো হায়বসু খঙদ্রি। অদুম ওইনমক মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লোইশিন্দুনা অনৌবা মীয়ামগী লৈঙাক অমা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা শেমহল্লকপা হায়বদুদি মতম খরা চঙখিগদবা মাল্লি। লৈরিবা ষ্টেট অসিগী ঈৱাং অসি লোইশিল্লবা মতুংদা শেমহল্লকপদি য়াই হায়রকখি।

এম এল এ মশামকসু লন্নাইগী ওইবা থবক অমগীদমক নুমিৎ নীনি/হুম্নিগী মমাঙদগী দেল্লীদা লৈরকপনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত ঙসি নুংথিল পুং ২ তারকপদগী দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

অতোপ্পা পাউগী লিখুন অমনা হায়বদদি মহাক্না ঙসি দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রিবসি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা লাক্লবা খঙহল্লকপদগী চৎখিবনি হায়রি। অদুবু খোঙচৎ অসিগী মতাংদা চপ চাবা কনফার্ম তৌরবা রিপোর্ট ফংবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা বিরেনবু মণিপুর ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

টেররিষ্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পহলগাম চীংদা টুরিষ্টশিংদা এটেক তৌরকখ্রে

# ফোরেন্নর ২ য়াওনা মীওই ২৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

## টেররিষ্টশিংনা হিংহৌবশিংদা ‘মোদিদা তম্লুচো’ হায়রম্লে

**পহলগাম, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী) :**

নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী কুমজা ২০১৯দা শেমখিবা ‘জম্মু এন্দ কাশ্মীর রিওর্গনাইজেশন এক্ট’ কী মতুংইন্না ষ্টেট অসিবু য়ুনিয়ন টেরিটরি অনী থোক্লা খাইবোক খায়দোক্লিঙৈদগী হৌনা ষ্টেট অসিদা বেজ তৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা অমসুং য়ূমথংনরিবা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিংনা তমথীরবা মীহাৎ-মীপূনগী থৌদোকশিং থোকহল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পহলগাম চীংদা লৈবা টুরিষ্ট সেন্টর অমদা লম কোয়বা লাকখিবা মীওইশিংদা খঙহৌদনা অকনবা এটেক চথুরকপদা ফোরেন্নর অনী য়াওনা লৈবাক অসিগী মীওই ২৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে অদুগা কয়া অমনা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপদগী লায়কন্নখ্রে।





খঙহৌদনা চথুরকখিবা ঙসিগী এটেক অদু নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদগী হৌরকখিবনি। থৌদোক অসি পহলগাম হিল ষ্টেশনদগী চীং অসিগী মথকলোমদা কিলোমিটর ৫ রোম কাখৎলগা লৈবা বাইসরন হায়না খঙনবা টুরিষ্ট স্পোট অমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## খোংজোম দেদা গভর্ণরগী পাউজেল



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা হয়েং খোংজোম ৱার মেমোরিএলদা পাঙথোক্কদৌরিবা খোংজোম নুমিৎ-২০২৫গী থৌরমগী মাঙওইননা গভর্ণর এ কে ভল্লানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এস এস ছব্রানা এম পি এস সীগী চ্যেরমেন ওইরগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :**

ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিসতগী পোথারবা এস এস ছব্রানা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিশন (এম পি এস সী) গী চ্যেরমেন ওইরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহনা থোকখিবা ওর্দর অমদা মহাকপু কম্মিশন অসিগী চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়রি।

ফম অসি মহাক্না জোইন তৌবা নুমিৎতগী চহী ৬কী ওইনা নৎত্রগনা মহাক মশাগী চহী ৬২ শুদ্রিবা ফাওবা পুগনি হায়রি।

## নুমিৎ নীনি অৱাবা ফোঙদোক্কনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং লৈখিদবা পোপ ফ্রান্সিসতা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসিদগী হৌরদুনা হয়েং ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোক্কনি অমসুং মহাক্কী হকচাং লৈরোন চনবা নুমিৎতসু অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না জি এ দিগী ওর্দর অমনা ফোঙদোরক্লি। অৱাবা ফোঙদোক্লিঙৈগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ফিরাল তঙ্খাই চিংথগনি অমসুং লৈঙাক্কী ওইনা হরাও কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোক্লোই হায়রি।

## হোম গার্দশিংগীদমক কোর্টতা কেস ৪ হেন্না ফাইল তৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :**

সিভিল পুলিসকুম্না নোংমদা পুং ২৪ মথৌ তৌরক্লিবা মণিপুর হোম গার্দ পর্সনেলশিংগীদমক লৈরিবা মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা রিট পিটিশন মরি য়াওনা হোম গার্দশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং লৌখৎপীয়ু হায়দুনা কেস খরসু ফাইল তৌরক্লে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশঙবমদা লৈবা এসোসিএশন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা এক্সটেন্দেদ মেনেজিং কম্মিটিগী মীফমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৮দা

# খাঙবোক : চহী ১০ হেন্না য়েংশিল্লক্ত্রবা লম্বী কোয়লাস থাদুনা শেমজিনবা হৌরে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা খাঙবোককী নেশনল হায়ৱেদগীনা ইমা নোংলৈমগী হরাওবুং ফাওবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বী অসি চহী ১০



হেন্না মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তনা মীৎয়েং চঙবীরক্ত্রবা মতুংদা হৌজিক শেমজিন-শাজিন্দুনা কোয়লাস থাবা হৌরক্লে হায়না খাঙবোক দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (কে দি এস) কী মায়কৈদগী এ সী অসিগী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রম, পি দব্লিয়ু দি লোয়শঙ অমদি লোয়শঙ অসিগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়রবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সোসাইটি অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কিরনকুমার নিংথৌজানা থোরকপা চেরোল অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা শেমজিন্দুনা কোয়লাস থাবা হৌরক্লবা লম্বী অসি খাঙবোককী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা ইন্টর-ভিলেজ রোদ (আই ভি আর) অমনি হায়রি। মতম কুইনা শেমজিনবীরক্ত্রবা লম্বী অসি হৌজিক খাঙবোককী মীয়াম অমসুং লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হুরানখিবা/লাকখিবা গাড়ী ১৫ ফংলে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা হুরানখিবা অমসুং লাকখিবা গাড়ী ১৫ ঙরাং পুলিসনা চথুবা অখন্নবা দ্রাইভ অমদা রিকোভর তৌবা ঙম্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙদসু পুলিসনা চথুখিবা দ্রাইভশিংদা হুরানখিবা অমসুং লাকখিবা গাড়ী মচা অমদি অচৌবশিং ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, গাড়ীগী মিংশেলদা নপ্পা টিন্টেদ গ্লাসশিং লৌথোকপগী মখা তারকপা দ্রাইভতা ঙরাং পুন্না গাড়ী ৫৩দা নপ্পলম্বা টিন্টেদ গ্লাসশিং লৌথোকখ্রে হায়রি।

থবক অসি পুলিসকী মায়কৈদগী অখন্নবা দ্রাইভ ওইনা চথুরকখিবনি।

## য়ু জি কাদর ৫ ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা কদাংবন্দ ময়ায় লৈকায়দগী মশাগী চহী ২০ লোম শুরবী তোংব্রম দোল্লি কৌবী কে সী পি (নোংদ্রেনখোম্বা) গী কাদর অমা ফারে।

মহাক হৌজিক্তা রিমস রোদকী উরিপোক্তা লৈবা সঙাই হোস্পিটালগী মনাক্তা লৈবনি। লম্ফেল সুপরমার্কেটকী ট্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তগী ফাবনি হায়রি।

অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙসি ফারবা লালহৌবশিংনা প্রিপাককী কাদর ৱাঙ্খৈরাকপম নন্দি (৪২), লৌশাংখোং মখা লৈকায়নি। মহাক নাপেৎপল্লি থোংখোংদা লৈবা দি জি আর ভেলোসিটি কে এস কে ওইল পম্পকা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মীওই ১ ফারগা ফূরম্বা ২ ফারে, নোংমৈ ২ ফংলে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী বাখালদগী অজিমুল হুসেন লাস্কর কৌবা মীওই অমা ফারগা ফূবা থৌদোক্কা মরী লৈননা জিরিবামগী উচারথোলদগী লৌরেম্বম থোইবা এলিয়জ জেক্সন (২০) অমসুং ভুটানখালদগী হৌজিক্লা জিরিবামগী বিদ্যানগরদা লৈরবা আর কে খোমদোম্না (৩২) কৌবা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট-(৪১) জিরিবামগী মেম্বর ২ ঙরাং পুলিসনা ফারে হায়রি।

অমরোমদা হৈঙাং পি এসনা কোল্লিবা মোংজমগী চীংখোঙদা থি-হুম্বগী থবক চথুবদা কর্বাইন ১, এস এল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# ফার্মাসিশিংনা এপ্রিল ২৫দগী পি এম জে এ ৱাই অমসুং সী এম ঐচ টিগী মখাদা হীদাক-লাংথকশিং পীবা লেপখিবা য়ানা লৈরে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :**

লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংগী মীওইশিংনা অনা-অয়েক মায়োক্নরকপদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীনবগীদমক মণিপুর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা হৌদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ অমসুং প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই) গী মখাদা শেলগী তেংবাঙ পীরক্লবসু লায়েংলিবশিংনা শীজিন্নখিবা হীদাক-লাংথকশিংগী শেনফম মরী লৈনবা ফার্মাসিশিংদা পীথোরক্তবদগী মখা তানা স্কিম অনীসিগী ওইনা হীদাক-লাংথকশিং পীবা থা অসিগী ২৫দগী লেপখিবা য়ানা লৈরে।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, স্কিম অনীসিগী মখাদা কার্দ পায়রবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২




HL-B/9475/23


# খোংজোম লান নুমিৎনা ঙসিগী ইরৈচাশিংদা পীরিবা পাউজেল

## মালেমগী থাক্তা ইমা লৈবাক্কীদমক কত্থোকপদা মাঙ থাবা তান্নে উৎখিবা ইপা ইপুশিংবু ইকায়খুম্নজরি : কোরকোম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ :** অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩দা মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখিদনবগীদমক খোংজোমগী খেবা চীংগী নাপোমদা বৃটিশ লান্মীশিংগা মায়োক্নবা লানফমদা মায়থীরগনি খঙলবা ফাওবদা খোঙফম হন্দোক্তনা লান্থেংনখিবা নুমিৎ অসিবু মহৌশাদগী হৌনা ‘খোংজোম লান নুমিৎ’ হায়দুনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মণিপুরগী অথৌবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মখোয়গী থৌনা লিংজেলবু নীংশিংবগী থৌরমগী মাঙওইননা লালহৌলূপশিংগী অপুনলূপ ওইরিবা কোওর্দিনেশন কম্মিটি (কোরকোম) গী পব্লিসিটি কম্মিটিনা ‘খোংজোন লান নুমিৎনা ঙসিগী ঈরৈচাশিংদা পীরিবা পাউজেল’ হায়দুনা থোরকপা চেরোল অমদা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ১৩৪শুবা ‘খোংজোম লান নুমিৎ’ না লাকপদা ইরৈবাক্কী নীংতম্বা হায়বসিদগী হেন্না মরু ওইবা, মমল য়াম্বা পোৎশক অমত্তা লৈতে হায়দুনা মণিপুর (কংলৈচা) শিংনা ইমা লৈবাক্কীদমক কত্থোকপদা মাঙ থাবা তান্নে হায়বদু মালেমগী থাক্তা উৎখিবা অদুবু কোওর্দিনেশন কম্মিটি (কোরকোম) না নীংশিংদুনা ইপা ইপুশিংগী কত্থোকপা ঙক্সগী থৌনা লিংজেলবু ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়রি।

মতম অদুদা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশকী মশীং য়াম্লবা লান্মীগা অপীকপা লৈবাক মণিপুর (কংলৈপাক) কী ইপা ইপুশিংগা মায়থীনি খঙনা খঙনা শোক্লরম্বা কত্থোকপগী লানফম অদু অতৈ অমগী নত্তে, ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বগীদমক্তা মতম পূন্নমক্তা কত্থোকপনা মাঙ থাদুনা লান্থেংনগদবনি হায়বসি মালেমগী মীয়ামদা, লমদম অসিগী নীংতম য়াওল্লোইশিং অমসুং তুংগী মীরোলশিংগী মফমদা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন ওইনা শিন্নবীরম্বনি। ...মখা লমায় ৮ কলম ১